ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ২৫, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৬৮শুবা মশীং

# খৃষ্টমাস লাকপদা

## যিশু খৃষ্টনা পীরম্বা পাউতাকশিং ঙাক্লা চৎলব্রা হায়বদু নৌহৌননা নীংশিংহন্নিংই

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলুপ খূদিংমক্কী মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা লাইনীং লীচৎ চৎলি। মীওই কয়ানা মাগী মাগী অপাম্বা মতুংইন্না লাইনীং লম্বী অমদা লাইমিং লৌবদসু অথিংবা অমত্তা লৈতে। মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি শক-চু খেন্নবা, চাকচা-য়ুথক মান্নদবা কয়াগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লাইনিং লীচৎসু চৎনরি। তোঙান-তোঙানবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা ৱাফমশিং নৈনরকপদা লাইনিং অমত্তনা মীওইবা খুন্নাইদা ফত্তবা পাউজেল পীবা লৈতে। অফবা থবক তৌদুনা মীওইবা খুন্নাইদা অমগা অমগা নুংশিননা লৈমিন্নবা, ঈং-তপ্পা হায়বদু লৈহন্দুনা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল তরু-তরুনা লৈননবা লাইনীং লীচৎ কয়াবু হৌদোক্লম্বা শক্লাইরবা মীওইশিংনা পাউজেল পীরম্মী। মতিক ময়াই লৈবা অচৌবা কাঙবু খরনা লাইনিং-লাইশোনদা কাঙলুপ নাইবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মখোয়গী লাইনীংনা পুন্নমক্তগী হেন্না ফৈ হায়বা উৎননবা হোৎনবগী থৌওং কয়াসু খঙনদবা নত্তে। মীশিং য়াম্বা কাঙবুনা চৎনরিবা লাইনীং অদু অতোপ্পা লাইনীং চৎলিবা মীশিং য়ামজদবা কাঙবুশিংবুসু পুনশিনহন্ননবা হোৎনবগী থৌওং কয়াসু চত্থদবা নত্তে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলুপ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা লাইনীং চৎনরি। ইস্লাম, খৃষ্টিয়ন, হিন্দু, বুধিজম, জৈনিজম, সনামহী লাইনীংনচিংবা লাইনীং লম্বীশিং অসিবু থাজবশিংনা মাগী মাগী লাইনীং লম্বীদা চৎনরবসু লাইনীং লম্বী অমত্তনা মীবু ওৎ-নৈবা, মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা ফত্তবা থবক তৌ হায়বা অমত্তা য়াওদে। কাঙলুপ-ফুরুপ খূদিংমক নুংশি-চান্নবা, খুদোংথিবা নংলকপা মতমদা অমনা অমগী মতেং পাংনবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুস্ফম ওইবা ঙাক্তনি। লাইনীং লম্বীদা হকচিনবা শাবা মীওই খরনা লাইনীং লম্বীশিং অদুবু হৌদোক্লম্বা মাইচৌশিংগী ফজরবা পাউতাকশিং অদু লান্না ৱাহন্থোক পীদুনা মশাগী ওইজবা থিবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। মখোয়গুম্বা পুকচেল পীকপা মীওইশিং অদুনা থাক্লকপা শরৌ লাংদা থুদনবা ঐখোয় পুন্নমক্লা চেকশিনগদবনি। লাইনীং-লাইশোনগী মিংদা অপূনবগী শক্তম কায়হন্ননবা হোৎনবা, খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবশিংবু নাথৈদুনা থমগদবনি। খাইবুং খাইবুং তাহন্ননবা হোৎনরিবা থৌশিলশিং অদুগী মায়োক্তসু লেপকদবনি।

খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংগী ওইনা খ্বাইদগী অথোইবা নুমীৎ অমা ওইরিবা নুমীৎ অসি দিসেম্বর ২৫নি। লাইগী মচা যিশু খৃষ্টনা অচুম্বা, ঈং-তপ্পা অমদি মীনুংশি য়েন্নবগীদমক তাইবংপানদা খোঙদারকখিবা নুমীৎ অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংনা লাইনীং-লাইশোনগা লোয়ননা খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোক্লে। নুমীৎ অসিনা লাকপদা লৈবাক্কী মপী-মপাশিং, শক্লাইরবা মীওইশিং অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা মীওইবগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা অমদি মালেমসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা য়াইফ-পাউজেল পীনরিবা অসিগী ৱাহন্থোক মীপুম খূদিংমক্লা খঙননবা হোৎনবগী খুদোংচাবা অদু লৌফম থোকই। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ-কাঙলুপ কয়ানা খুন্দা-লৈতারিবা মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংনসু অসিগুম্বা লাইনীংগী ওইবা থৌরম পাঙথোকপদা অমত্তা ওইবগী লিংজেল শাগৎতুনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চেৎশিনহন্ননবা হোৎনহন্নিংই। নুমীৎ অসিনা লাকপদা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপচা খূদিংমক্লা ঐখোয় ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চেৎশিনহন্ননবা ৱাশক লৌমিন্নবা চুমগনি। য়াইফরবা নুমীৎ অসিনা লাকপদা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎলিবশিংগী মফমদা য়াইফ-পাউজেল পীজরি অমদি খৃষ্টিয়ন ইচিল-ইনাওশিংগী হরাওবদসু শরুক য়াজরি। চহী লিশিং ২গী পুৱারী লৈবা মণিপুরী খুন্নাইদা চীংমী-তম্মীগী মরক্তা মচিন-মনাওগুম নুংশিনা লৈমিন্নরবা মতমদতা অতোপ্পনা লাকচবা য়ারোইদবনি। চাউখৎ-লমজেলদসু মাঙজিল থাগদৌরিবনি। মালেমগী শক্তি অমত্তনা নুংশিনবা হায়বসিদি খক কায়হনবা ঙম্বা নত্তে। অসিগুম্বা নুংশিনবা, মীগী মাঙননবা তৌদবা, লান্না তৌবশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লাক্লনবা অফবতা খল্লগা থবক তৌখিবা যিশু খৃষ্টকী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং অদু খুদুং ইল্লগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোন খূদিংমক থাদোকপা মতম য়ৌরে। তাইবং শেন্বীবা মপুগী মচা অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরল্লিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা পাউতাকশিং অদু ঐখোয়না চৎলব্রা হায়বদু খৃষ্টমাস নুমীৎনা লাকপা অসিদা অমুক্তংগা নৌহৌননা নীংশিংহন্নিংই। লান্না চৎলুরবা কয়াসু নুমীৎ অসিনা লাকপদা অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অচুম্বা লম্বীদা লাকপা ওইরসনু। লাইনীং-লাইশোন কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা খৃষ্টমাসকী থৌরমদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা খূদিংমক্লা শরুক য়ামিন্নদুনা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লনবা থৌদাং লৌমিন্নরসি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা ‘ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি’ হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) “সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?” য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌবুক্তগী লৈখোম লম্বীদা চায়খায়রম্বদু মীয়াম্না শেংদোকফম থোকপ্রা?

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মরম চাদনা থবক ফগৎলকপসিসু য়েংবদা নুংঙাইতবা ফাওই। তৌখিবা থবক্তুগীদি অদুমক কান্নে। অদুবু তৌফম থোকপা মী অদুনা তৌবা ওইরগদি ফবা। অদুদা তৌফম থোক্তবা মীনা হোৎচিল্লগা থবক ফবা শাদুনা তৌরুবদু উবদা তায়োন্নে অমদি তৌফম থোকপা মীশিংদুনা তূমিন্না কোম্না লৈখি। তৌফম থোকপা মথৌনি হায়বা কাউরকই, মখোয়না অদুম মরাইনা তৌজখ্রনি হায়দুনা কোমথোকখ্রগদবনি। নত্তে, কোমথোকখ্রবনিনে। য়েংবীয়ু লৌবুক্তা লৌ য়ৈরুরগা কারকপা ত্রেক্টরনা লম্বীদা লৈখোম অপেৎপা ময়াম অমা চায়খায়রল্লে। মদুনা লম্বীদু নালহন্দুনা গাড়ী কয়া তুশিল্লে, অশোক-অপন, মীশি-মীনা য়াওরে। শোয়নাইবা মীওইসু য়াওরে। অদুগুম্লবা মী হাৎলবা লৈখোম লৈনাংদুবু পুকচেল চাউরবা লৈবাক্কী ফনবা খনবা, মীয়ামগী ফনবা খনবা মীওইশিংনা য়োৎপাক পায়দুনা শুমজিৎ পায়রগা শিৎতোক-নান্থোকপা তৌই। পোইনুদদি লম্বীদা লৌ কারকপা ত্রেক্টর মশীং থিবা ঙম্বা নত্তে। য়ামখ্রপোৎনি মায়কৈ মরিদা লৈরিবা লৌবুকশিংসে। অদু ওইরবদি ত্রেক্টরনা থাদরম্বা লৈবাক ময়ামদু শিৎ-নান্না শেংদোকপা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং অমা লাকই। করিগুম্বা লম অমদা/মায়কৈ অমদা মীয়ামগী নুংঙাইতবদু লৈতনবা হায়দুনা য়াইফনবা খনবা মীয়াম থোক্লকপা অদুগুম্না মায়কৈ খুদিংমক্তা থোক্লকপসু নত্তে। শেংদোক্লবা থোক্লকপা পুকচেল চাউবা মীওইশিংদু থোক্লক্ত্রবদি লৈখোমশিংদু কনানা শেংদোক্কনি? লম্বীদা অদুমক তাহন্দুনা লৈহনবা তাবরা? তুশিন্দুনা মীশি মীনা য়াওরক্লগা ত্রেক্টর থৌবশিংদু চৈ-থাংদুনা লৈবা তাবরা হায়বা ৱাফম কয়া থোক্লকই।

ত্রেক্টর থৌবা দ্রাইভর, লৌ য়ৈবা য়াওবা মীওইশিং অমদি লৌ মপু অদুনা লৌবুক্তগী লম্বীদা পুখৎলক্লিবা অপেৎপা লৈখোম ময়ামদু শেংদোক্লম্বদি য়াদবরা? মখোয়না শেংদোকফমসু থোক্লিবনি। লৌবুক্তগী পুখৎলক্লিবা ফৌবোৎ ময়ামদু লৌমীদুগী কোৎতা য়ৌখিগদৌরিবনি। অদুগা মাগী ইমুং-মনুংনা চেঙ অদুবু চাবগী মপুন্সি হিংগদৌরিবনি। মদুদসু নত্তে করিগুম্বা ফৌ অদু তায়থোক্লবদি শেনফম কয়া ফংগনি। মদুনা ইমুং-মনুংগী থবক কয়াদা শীজিন্নগদৌরিবনি। খুদোংচাবা ঙাক্তা ফংলিবা লৌমীশিংনা মশাগী লৌবুক্তগী লৌ য়ৈরুরগা ফৌবোৎ-ফৌবোৎ পুখৎলকপদা ত্রেক্টরদগী তারকপা অপেৎপা লৈবাক অদু লম্বীগী মতায়দা খাম্লগা ত্রেক্টর টায়রদা পকশিন্দুনা লৈরিবদু কোৎথোকপা য়াই। লৈবাক অদু কোৎথোকপদা য়াম্না ৱাগদবসু নত্তে অদুগা মতম য়াম্না কুইনা চঙগদবসু নত্তে। অদুগা লৌ য়ৈরুবগী ৱারিবদুগী মথক্তা লৈবাক কোৎথোকপদুনা অমুক্কা হেন্না ৱাহনগদবা নত্তে করিনা হায়ববু লৈবাক কোৎথোক্কদৌরিবা অদু শুপ্পতগী ত্রেক্টরদা পাল্লিবা টায়র মরিগা ত্রেলরগী টায়র অনী অদুগা পূন্না টায়র তরুকখক্তনি। করিগুম্বা ত্রেলরগী মহুত্তা লৌ য়ৈনবা মেছিন অদু য়াওরক্লগসু শুপ্পতগী তরুকখক্তনি। কয়ামুক য়াম্না ৱাবা থবকনো হায়বদু হংনীংই। গাড়ী থৌরবদি লম্বীদা অমোৎ-অকায় খরা তাবদি হৌনশানি হায়না খল্লগা লৈখোম অপেৎপা ময়াম মী চিনখ্রবা লম্বীদা হন্না য়েংলমদনা চৎখিবসিমদি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা মীনি। লম্বী হায়বসিদি মীপূম খুদিংমক্কীনি। লৈখোম থাদরল্লিবা লৌমী/ত্রেক্টরদুসু লৈখোম থাদরল্লিবা লম্বী অদুদা চৎকদৌরিবনি। মশামক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইসু লম্বীদুদা চৎকদৌরিবনি। মশামকসু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অৱাবা তাবা য়ারিবনি। নুংশিরবা মশামক্কী লোয়নবীমকসু এক্সিদেন্ট থোকপসু য়ারিবনি। লৌবুক্তগী ফৌশিংদু কোৎ য়ৌরগা লোইরে, লম্বীদা লৈখোম শেংদোকপদি ঐখোয় খঙদে হায়বদি থম্মোয় পিকমল্লি। লম্বী হায়বসিদি মীয়ামগীনি, ইশাগী ইঙ্খোল নত্তবনিনা করিগী লৈখোম শেংদোক্লুনি হায়না খল্লিবা মওং অসিদি য়াম্না ফজদবা মচৎনি। মসিগী ফীভম অসিদা মীয়ামগী খনবা লূপ/মীওইশিংনা লৈখোম শেংদোকপগী মহুত্তা পোইনুগী নুংথিলদা লৌ কারকপা ত্রেক্টর দ্রাইভরদা নৎত্রগা লৌপুদা ৱাখল তাহন্নবা হায়বগা লোয়ননা অপেৎপা লৈখোমদু শেংদোকহল্লম্বনা হেন্না ফগনি। মদুনা মখোয়দসু পাড়া অমা তম্বীবা ওইনা থোক্কনি। মায়কৈ কয়াগী মীওই কয়ানসু মদুগী মতৌ তম্নরক্কনি। মওং চাদ্রবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা থৌওং অসিনা চাউনা মতেং পাংগনি।

লৈঙাক্লদি মসিদা করি-করম্বা থবক লৌখৎপা য়াবগে? দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চুনবা থবক লৌখৎহন্নীংই। লৌবসু লৌখৎলমগনি খল্লি। অদুবু থোইদোক্লা উবদি লৈত্রি হায়নীংই। পুকচেল চাউরবা পুলিসনসু মীয়াম্বু এক্সিদেন্ট থোকপদগী কন্ননবা লম্বীদা তারিবা অপেৎপা লৈখোমদু মখূৎতা য়োৎপাক পায়দুনা শেংদোকপা মীয়াম্না উবা ফংই। মসিগী থাক অসি য়ৌরবনিনা লৈঙাক্লা ফীভম অসি থিংননবা থৌরাং অমা লৌখৎহন্নীংই। মদুদি ত্রাফিক্কী চুনবা রুলগী মখাদা ওইগদ্রা নৎত্রগা পব্লিক সেফটি রুলগী মখাদা ওইগদ্রা নৎত্রগা এগ্রিকলচরেল প্রোদুসকী রুলগী মখাদা ওইগদ্রা হায়বদুমদি লৈঙাক্লা লেপ্পীফম থোকপনি। মদুগী মতুংইন্না চুনবা ওর্দর অমা থোক্লবদি খরমখৈ ৱাখল তারক্কনি। মদুদা ৱাখল তারক্ত্রগনা থবক্তুগা চুনবা চৈরাক খরা লৌখৎপা য়ারে। অমরোমদা য়েংবা য়ারিবদি মীওই খরনা য়ামখ্রবা মীয়াম অসিগী লম্বী চৎপগী হ্যুমেন রাইট অদু খোঙ্গাওনহল্লিবনি। লৈখোম অদুনা লম্বীদা নুংঙাইনা চৎনবগী রাইট অদু মাঙহল্লিবনি। কনাগুম্বা অমনা তৌবা থবক্লা মীওই কয়াদা অকায়বা পীরবদি মদুবু মখা চত্থহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্কীদি তৌদবা য়াদবা মথৌ অমা ওইরে। করিগুম্বা লৌপুনা/ত্রেক্টর দ্রাইভরনা ৱাখল হেক তারকপা মতমদা ৱারোইশিন অদুমক ওইরে। অদুগা তৌবদা ৱাবা থবক অমসু নত্তে। ●

# ইন-ওর্গানিক ফার্মিং লেপ্পসি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরগী ফার্মরশিংনা এঞ্চাং-নাপি থাবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেল ফর্টিলাইজর (হীদাক্লা শুংবা হার) মখলশিংসি শীজিন্নবা লেপ্পীবনা ফরবনি। হার মখলশিংসি শীজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা কয়াগী মতিক শোকহনবদা নত্তনা অতোপ্পা মখল-মথেল কয়ামরুমগী লায়নাশিংসু পোকহল্লি। হার শীজিন্নবদা নত্তনা অকনবা তীলহাৎ হীদাকশিং অমদি নাপি হীদাক্লচিংবশিং শীজিন্নবগী অচৌবা মাঙজবা কয়া'মসু লৈরিবনি। ফার্মরশিংনা এঞ্চাং-নাপিশিং থাবদা য়ুরিয়া অমদি দাইমন্দনচিংবা কেমিকেল ফর্টিলাইজর (ইন-ওর্গানিক হার) শিং শীজিন্নবনা মীওইবনা হিংনবগীদমক চিঞ্জাক মরাং কায়না ফংনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীওইবগী হকচাং শোকহন্দুনা অতোপ্পা লায়না মখল কয়ামরুম অমগী মহুম শাফম ওইহল্লকই। অদুম ওইনমক, কেমিকেল হার মখলশিংসি শীজিন্নদুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনবগী হৈনবী চপ চানা লৈখ্রবা ফার্মরশিংনদি হার মখলশিংসি শীজিন্নবা পাকনা তোকউ হায়বা য়ানীংগনি থাজদে। অদুবু, কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নবনা ইশা-ইউ ফনা, তিঞ্জং-কাইজংদনা হিংনবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক তাইওন্নহল্লি হায়বসি মচা খায়না অমসুং মমুৎ তানা খঙমিন্নরবদি ইন-ওর্গানিক ওইবা ফার্মিং খুদক্তগী লেপ্পীংগনি খল্লি। নহানমখৈ মীওইবনা মাঙজরক্লিবা কয়াসি নিংথিনা ৱাখল তামিন্নরবদি মতমসিগী ফার্মরশিংনা করিগীদমক মাঙজরিবশিংসি খুদক্তগী কন্নীংলোইদৌরিবনো? ফার্মরশিংনা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং অসি অতৈ হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবনা, মতৌ করম্না মীওইবদা অমসুং অকোয়বগী ফীভমশিং য়াওনা হীরম কয়ামুক্তা অকায়-অতোয়শিং থোকহল্লিবনো হায়বসি মখাগী অসুম্না শল্লপ্পা নৈনমিন্নবা য়াই।

হার (ফর্টিলাইজর) শিংগী মরমদা ইচম চম্না ঐখোয় মীচম-মীয়াম্না খঙবা য়াবসি, হারগী মখল অনী থোক্লা লৈ হায়বসিনি। অমনা হীদাক মখলশিংনা শুংবা হার (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) অমসুং অতোপ্পা অমদুনা মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংনা শেম্বা হার (নেচরেল ফর্টিলাইজর) হায়বসিনি। ইংলিস ৱাহৈদা য়ানশিন-কাঙলোনগী লোনদা হায়রগা অহানবগীসিনা ‘ইন-ওর্গানিক’ অমসুং অনীশুবগীসিনা ‘ওর্গানিক’ হায়বা হার কাঙলূপ অনীসিনি। অহানবগী হীদাক মখলশিংনা শুংবা হার (ঐখোয় শ্বাইদা শীজিন্নরিবশিং) সি অয়াম্বনা নাইট্রোজেন্না চাং ৱাংনা য়াওরগা এম্মোনিয়া, পোটাসিয়ম, সলফেটনচিংবশিংনা চাং খরা-খরা হন্থনা হাপ্পগা শুংবশিংনি। মখোয়গী মনুংদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা য়ুরিয়া হায়বসিসু অমনি। ঐখোয়না য়ুরিয়া হার শীজিন্নবদা মাঙলিবসি লম্বী কয়ামরুমদনি। য়ুরিয়া হারগী ফোর্মুলাসি নাইট্রোজেন্না চাদা ৪৬নি। অতৈ হীদাক মখলশিংসু চাং হন্থরগা য়াওরিবনি। হীদাক্লা শুংবা হারশিং অয়াম্বদা নাইট্রোজেন, সলফেট, সোদিয়ম, ফোসফরস, এমোনিয়ানচিংবশিংসি য়াওবনা মফম খুদিংমক্তা মখল-মথেল কয়ামরুমগী সাইদ ইফেক্টশিং থোকহল্লি। অসুম্না ঐখোয়না হীদাক মখলশিংনা পূনশিল্লগা শারকপা হারশিংসি শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লি, লৈবাক চেকখায়বা অমদি নীংখায়বা থোকহল্লি, ৱাটর পোল্ল্যুসন (ঈশিং মোৎশিন-পূমশিনহনবা) অমদি এয়র পোল্ল্যুসন (নুংশিৎ মোৎশিনহনবা) নচিংবসু থোকহল্লি। ঈশিংগী পোল্ল্যুসন থোকহনবনা ঈশিং মনুংদা লৈবা ঙা অমদি অতৈ ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবশিং কয়ামরুমদা শিবা-নাবা য়াওহল্লি, মচা/মরূম কোকপা ঙমহন্দে, কোক্লবসু শোয়নাই-তুনাইবশিং ঙাক্তা অয়াম্বা ওইগল্লি। নুংশিৎকী পোল্ল্যুসন থোকপনা মীওইবদা অমদি অতৈ থৱায় পানবা কয়ামরুমদা শাথীনা শোকহল্লি। য়াম্না মরু ওইরিবনা, কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিংবু চুপশিন্দুনা মপান-মরূ চাওরকপা মপান্বীশিং অমদি মপান্বীশিংদুগী মহৈ-মরোংশিংদু চারুবদা মীওইবদা হারগী হীদাক মচলশিংদুনা অমুক্কা হেন্না হকচাং শোকহল্লি অমসুং মখল-মখা কয়ামরুমগী লায়না-তীলনাশিং পোকহল্লি। মরু ওইনা কিদনি, চাকখাউ অমদি লিভরগী লায়নাশিং পোকহল্লকপা য়াই অমদি ব্লদ প্রেসর, দাইবেটিস, হার্ট এটেক, হায়পরটেন্সন্নচিংবা লায়নাশিং ইরায়-লায়না নাহল্লকপা য়াই। পঞ্জরিবসি চান-থক্লবা মনা-মশিংশিংদা শুপ্পগী হার হাপ্পদগী ফংলকপা ফত্তবা মহয়শিংদু খক্তনি। অতৈ তীলহাৎ-হীদাক মখলশিং অমদি মহৈ-মরোংশিংদা হেন্না চাউরৈ কন্নবা কাপ্পা অমসুং চাইবা হীদাক মহী-মপংশিংগী মখল কয়ামরুম অমগী ফত্ত-মহয়শিংসু লৈরিবনি।

মতমসিগী ফার্মরশিংনা এঞ্চাং-নাপিশিং তীল তাবদা শীজিন্নরিবা তীলহাৎ হীদাক মখলশিং অমদি অপানবা পোৎশকশিং কা হেন্না চাউদম-শাংদম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেল সোলুসনশিং, পূম্নমকসিগী সাইদ ইফেক্টশিংনসু মীওইবগী পুন্সিবু ইরায় লায়না তেনশিনহন্নবগী মরমশিং ওইরি। নোংমা চরা অমা চারগা লোইবা মনা-মশিংগী আইটেমশিং নত্তবনিনা, চহী চূপ্না অসিগুম্বা মখলগী মনা-মশিংশিংসি চারকপদা চহী খরগী মতুংদদি চারিবা মীওইশিংদুদা শোয়দনমক্কী মখল-মখলগী লায়নাশিং মথন্তা পোকচরকই। অসিগুম্বা মতমদা নারকপা অনাবশিংগী মরমশিং কনামত্তনা হায়বা খক ঙমগন্দে। ঙমসু ঙম্ফম থোক্তে, স্লো পোইজনীংগী মওংদা চত্থরকপা থৌদৌনি। ফার্মর ইচিন-ইনাওশিংনা মনা-মশিং, এঞ্চাং-নাপিশিংদা থাক্লিবা কেমিকেল মখলশিংসি য়াম্বনিনা অচাবা কাঙবুশিংনা অমা নৎত্রগা অমগী সাইদ ইফেক্টতি অদুম্মক ইফংদা ফংই। মীওইবগী পুন্সিগা ফার্মদা হৌরিবা এঞ্চাং-নাপি খরখক্কী শেন্দোংগা ইয়াং-য়াংনা খল ওন্থোক্লবা ঙম্বা হায়বসিসু খজিক্তং খন্থবা ৱাৎপা থৌদৌশিং ওইগনি। তশেংনা হীরমসিদা মণিপুরগী ফার্মর ইচিন-ইনাওশিংনা খরদংদা ওইরসু খন্থবীবা চুমব্রা খল্লি। পোৎ খুদিংমক সনাগুম্না তাঙলবা সনা লৈবাকসিদা কয়ামুক য়াম্না ৱাংনা শেন্দোংগীদমক মীওইবগী পুন্সিগা মনা-মশিং, এঞ্চাং-নাপি খরখক্কী শেন্দোংগা চাংদম্নগদৌরিবনো হায়বসি খল্লুবদা মম্মী। কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং কা হেন্না হাপমনবা এঞ্চাং-নাপিশিং অমদি অপানবা পোৎ-চৈশিংদা অতেনবা মতমগী মনুংদা কা হেন্না চাউদম-শাংদম্নবা হীদাক-লাংথকশিং কাপ্পা-চাইবা তৌবনা, এঞ্চাং-নাপিশিং অমদি অপানবা পোৎ-চৈশিং খুদিংমক্তু মপান্দা চাউদম-শাংদমজরবসু মনুংদা হামচৎ-হাম্ফোইনবা, থা শুদনা পোকপা অঙাংগুম কয়াৎ ফাওবা শুরক্তবগী ফীভমশিং এঞ্চাং-নাপিশিংদসু চপ চানা উই। চাবদসু মহাউ য়াওদে অদুগা লীদুনা থম্বদসু নুমিৎ নীনি-হুমনিদগী হেন্না চত্তে। পৎশিন-পূমশিল্লকপা অমদি মহী চেনবনা হাঞ্জিল্লকই। করিগুম্বা মতমদা কৈথেলদগী ইশানা লৈজরক্লগা ফ্রিজ মনুংদা থমখিবা শেবোৎ, হৱাইমুবী, মোরোক অতেকপনচিংবশিং নুমিৎ নীনিগী মতুংদা ফ্রিজ হাংদোক্লুবদা চাউমন-শাংমল্লমদুনা ইশা ইথন্তা উবদা খংপ্রেক খংবা ফাওবা য়াওখি। অসিগুম্বা মিত্রংগী থবকশিংসি তশেংবমক্কীদি অফবা থৌদৌশিং নত্তে। পূম্নমকসিগী মহয়না অতিয়াদা তিন শিৎকৎলগা ইমায়দা তারকপগুম, মীওইবা ঐখোয়না তৌজরুবগী মহয়শিংদু মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তা অদুম্মক ফংহল্লিবসিনি। মসি লাই হাক্তক্তগী চৎনরল্লুবনি। ঐখোয় ওইরোই-পারোইদবশিং তৌবা য়ারিবা মখৈ লেপ্পসি। তুংদা মসিনা শোয়দনা ঐখোয় পূম্নমকপু খুদোং থীহল্লক্কনি।

ঐখোয়গী ইরমদম অমদি ইফুরুপসিগীদমক তুংদা ওইহৌগদবশিংদু খল্লগা পাৱর লৈবা ইন্সেক্টিসাইদশিং, নাপি হীদাকশিং অমদি কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নবা ঐখোয় খুদক্তগী লেপ্পসি। হৌজিক্তা হিংমিন্নরিবা ঐখোয়গী পুন্সিগীদমক খন্দ্রবসু, ইরমদমসিগী ঙসিগী ফার্মরশিংনা তুংদা লাক্কদবা ফার্মরশিংগীদমক খল্লগা ইরমদমসিগী মালেম লৈতেংগায়সি খজিক্তংদা ওইরসু কল্লগা থম্বীরমসি। নৎত্রবদি, ঙসিগী মীরোল ঐখোয়বু তুংগী মীরোল মখোয়না শোয়দনমক্কী নিন্দা তৌহৌগনি। ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৭৫

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মণিপুরগী লৈঙাক সাসনগী থবকসি নোংম-নোংমগী থাজদনা হোংলকই। মতম অমগী মণিপুরগী লৈঙাক সাসন্দু ঙসিদি মাঙথরক্লি। মসিমক তুংগী মীরোলশিংদা করি ওইরক্কনি হায়বসি লৈঙাকপশিংনা, পোলিটিসিয়নশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হেন্না কূপ্না নৈনমিন্নবগী তাঞ্জা হেন্দোকখিগদৌরে। মসিমক খঙনা-উনা খঙশিন্নদ্রবদি নোংমদি পূম্নমক্কী লাইবক থীবা ওইরক্লোইদ্রা ? ঙসিদগী চহী কয়া কোংগ্রেস লৈঙাক্কী লাংদগী নান্থোরকপা ঙমদনা লৈরম্দু ইখঙ খঙহৌদনা পোলিটিক্সকী অশোনবা-অরানবা নমথাক কয়াদগী মতমসিগী শক্তি শীজিন্নরক্তুনা কোংগ্রেস লৈঙাক নমদুনা ইন্থুখিবসিমক ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী মনুংদা মৈ-ঈশিংনা চামদুনা কোকহনবা কৈদৌনুংদা ঙল্লরোই। মসি ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী লমজেলদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমসুনি। পোলিটিক্সকী দেমোক্রেসি মনুংদা মশীং য়াম্না কাবা কোংগ্রেসকী ২৮বু বি জে পিগী ২১ কাবনা লৈঙাক শেমখিবসি পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমনি। দেমোক্রেসিগী শক্তমদা ময়েক শেংনা নমদুনা হোংলকখ্রে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক আইনগী থোঙদা লাকপগী মহুত্তা শেঞ্জা-থুমজা কয়ানা মশক থোক্লা পায়খৎলকপা ৱারী ওইদুনা লৈরম্দু ঙসিদি থবক ওইনা ফজনা মীৎমাঙদা চোঙথোরক্লে।

মতাংসিদা ঐখোয়গী আইনগী লম্দা হৈথোই-শিংথোইরবশিংনা য়াম্না কূপ্না অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক থম্মোয় শেংবা মীশক খরদি শিবা কিদনা চোঙথোরকপা মতম ওইরে। ঐখোয়গী অচুম্বা অশেংবগী শক্তম কনমিন্নবগী তাঞ্জা লাকখ্রে। মপূংদা ঐখোয়গী পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টিশিং মতম মতমগী ওইনা ওইজনাম, নপচনাম, শেঞ্জা থুমজাগী লাংদগী কনমিন্নবগীদমক তঙাইফন্দবদু মশক থোক্লা থবক ওইনা মায়োক্লহৌদ্রবদি ঐখোয়গী মণিপুর খঙনা-উনা মাঙথরকপা ঙাইবদি মতম হেন্দোকখগনি। খূৎ থারবা অনাববু কলহৌবা হায়বসি তরাইবসু নত্তে। ঐখোয়গী মণিপুর, ঐখোয়গী মীয়াম ৱাখল তাবগী মতম ওইরে। মণিপুর ওনবা য়াবা ওল্লে, হোংবা য়াবা হোংলক্লে। ঙসি ফাওবা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়ন পূম্নমক মাঙথরক্লিবসি, শোয়থরক্লিবসি খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবসি য়াররোই। মতমসিগী খুন্নাইসিগী লাইরিক লাইশু খঙ-হৈরবশিংনা মণিপুরবু অমুক্তং শেঞ্জা থুমজা, মীচং-শঙ্গগী কল্লবা ঈচেলসিদগী কনমিন্নহৌদ্রবদি মৈ হৌনা চাকখৎলক্লিবা শেঞ্জা থুমজাগী থৌশিল, অচান-মীরাইগী শঙ্গ-পঙ্গগী ঈচেলসি থিংবীনবা য়াওদ্রবা ঈচেল ওইখ্রনি। মণিপুর তুম্না মাঙথরক্কদৌরিবা শেঞ্জা থুমজাগী লাংদগী কনমিন্নহৌরসি। ঙসিগী লৈঙাক শেঞ্জাউ পায়বগী খম থেংলবা; মতু শোনবশিংগী হিংফম লৈত্রবা লৈঙাক ওইরক্লে। মতম অমগী লৈঙাক্তুদগী হেন্না তমথীরবা লৈঙাক ওইনা মীয়ামগী মাঙদা থবক ওইনা উংথোক্লে। মীয়াম, লাইরিক লাইশু মতিক চানা খঙ-হৈরবশিংনা অনৌবা, অওনবা, অহোংবা, অশেংবা লৈঙাক অমগীদমক থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে।

মমাংথক্কী কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগকী ৱাথোক, দ্রগ লল্লোনবশিংগী ঈহৌ মশীং খঙদনা তানখ্রে। মসিগী মখাদা কেজিগী মথক্তা ফাখিবশিং ঙসি ফাওবা চৈরাক পীখিদ্রি অদুগা গ্রাম ৫/১০ ফাবদি চৈরাক পীরি। অচৌ অশাংশিংনা মতম মতমগী শেঞ্জাউ পায়বশিংবু কনখৎখিবগী পাউ মীয়াম্না তাখিদবদি নত্তে। লুপা ক্রোর ১৭ লোমগী ওইগদবা দ্রগ ফাবগী ৱাথোক, ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফাখিবা দ্রগকীসু ঙসি ফাওবা কমদৌখ্রে। লুপা ক্রোরগী ৱাথোকশিং নমশিন্দুনা থমখিবশিং কদোমদা থৈদোকখিবনো? লোক্তাক শেংবগী চাউরবা শেনফমগী কেস কদাইদা কমদৌনা নমশিনখিবনো? মসিগী মখা তারকপদা লমদমসিদা লৈঙাক পায়রম্বশিংনা চত্থরম্বা শেঞ্জা-থুমজা কয়াবু নমশিন্দুনা থম্বা ঐখোয়গী আইনগী মীৎয়েংসিবু চুল্লিব্রা? ঙসিগী আইনসিবু শেল, শঙ্গগী মখা পোনখ্রবরা? ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী দ্রগকী ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈখ্রে অদুবু কেস খুদিংমক নমশিন্দুনা থমখিবসি করিগীনো? মপূং ওইনা দ্রগকী ৱাথোক ঙসিদি তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। দ্রগ লল্লোনবশিং পূম্নমক শেল পায়বা ঙাক্তনি। মরম অদুনা দ্রগকী কেস মতম শাংনা নমশিন্দুনা থম্বসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা মীয়াম্না লৌনরক্লিবসিগী ৱাহন্থোক মীয়াম্না হন্দোক্লরকপা মশানা তাবনি। ইম্ফাল এয়রপোর্টকী ৱাথোক শেঞ্জা-থুমজানা খুমজিনখ্রবসু তইবঙ শেম্বা মপুনা কৈদৌনুংদা লেম্না থাদবসু ওইরসনু। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা মীয়ামগী পুন্সি, মীয়ামগী লন-থুম হাৎলম্বশিং করিগী নাথৈদুনা থল্লিবনো? মসিগীদমক ৱাহং মশীং খঙদনা চোঙথোরক্কনি। ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়ামগী মশীং নাইদনা মাঙহনখিবা লন-থুমশিং মশক নাইবা শেঞ্জাও পায়বা ঙাক্তনি হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না লেঙদ্রবা শাখিনি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি ওইরগা শক্তি শীজিন্নদুনা লৈরিঙৈ অঙম অঙম্বা পাম্বৈ শীজিন্নরম্বশিংগী মথক্তা আইনগী থোঙদা ঙসি ফাওবা চৈরাক পীবীদবসিনা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা নোংম-নোংমগী দশা তারক্কনি। মণিপুর কলহৌবা হায়বসি মীয়াম্না কনগদৌরিব্রা? নৎত্রগা লৈঙাক চুপ্পি পায়বশিংনা কনগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং অমসু ফোঙনা চোঙথোরক্লে।

মপূং ওইনা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিং পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে। পোলিটিক্স হায়বসি অকা অকুমনি। মরম অদুনা মমাঙথক্তা পাল্লম্বা কোংগ্রেস ঙসিদি হৌগৎপা য়াদনা লৈরে। ঙসিনা শেঞ্জাও পায়বা পার্টি অমনা অমুক ইন্দিয়াসি খুদুম চনশিল্লক্লে। লায়রবা মীয়াম পূম্নমক ঙায়োক চফ্নগী ঙা ওইনা লৈরে। মতমগী য়াওল, মতমসিগী মখল মথেলগী অঙম অঙম্বা শক্তি পায়রিঙৈদা থবক ওইনা পায়খৎলকপদা পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিংসু করিসু তৌবা ঙমদবসিমক খ্বাইদগী শোনবা ওইররে। মতমসিগী মীয়াম খঙনা খঙনা মথম্মোয় কায়না খাঙনরে। মরম অদুনা মীয়াম পূম্নমক, লাইরিক-লাইশু খঙ-হৈরবশিং অফবা ফল লাক্কনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈরে। অওনবা, অহোংবা মণিপুর অমা পুরকপদা মীয়াম ৱাখল তামিন্নদ্রবদি হেন্না অৱাবা তামিন্নরগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।